থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

নীংতম্বা নুমিত্তা নীংতম্বা ৱাখল

ঐখোয়না অঙাং ওইরিঙৈ - ফিফতিন ওগষ্ট হায়বসি অচৌবা কুমহৈ অমগুম্না খল্লকই। স্কুল-কোলেজ-ক্লব-সংস্থান খুদিংদা মচু অহুমগী ফিরাল ৱাংনা পাইহনবা, ফিরালদুবু শৈথাবা ঈশৈ কয়া শকহনবা, রেদিওদা শন্দাকপা ...'ফিরাল ৱাংনা পাইরি ঐখোয়গী, তাইবংবু ঙম্বা মচু অহুমগী' ... 'পাইরে পাইরে নোংদোল পক্লা, মচু অহুমগী ফিরালনা'... অসিনচিংবা। করিগীনো খঙদনা মচু অহুমগী ফিরালসিবু য়াম্না নুংশিরকই, পামজরকই। কোন্না, চাউরক্লগা খঙলকই - অশঙবা, অঙৌবা, নাপু মচু অহুমগী ফিরালদু ভারত-জাতিগী ফিরালনি। ওগষ্ট ১৫, মতম কুইনা বৃটিস লৈঙাক্কী মখাদা লৈরম্বা 'ইন্দিয়া' - নীংতম্বা লৈপাক ওইরকখিবা নুমিৎনি। বৃটিস-ইন্দিয়া ওইরিঙৈ অমত্তা ওইরম্বা লৈপাকসিদগী বৃটিসশিংনা চৎখিবা নুমিৎতগী লৈপাক অনী ওইরকখি - হিন্দুস্থান অমদি পাকিস্তান। অমত্তা ওইরম্বা ইমুংদু মতমচুপ্পগীওইনা য়েক্নবা ওইগদবা ইমুং অনীগুম্লকখি। নীংতম্বগী হরাও-তয়াম্বা মীকৃপশিং, কাঙলুপ অনীগী তাইশিনবা ঙমদনা শোক্লবা থম্মোয়গী তেংথাখোলনা নিল্লখি। ইন্দিয়াদনা ওগষ্ট ১৫, পাকিস্তানদনা ওগষ্ট ১৪- নীংতম্বা নুমিৎ নীংশিংলগা 'অমত্তা ওইবা ইমা লৈবাক নুংশিব' গী ইহুল পীবগী মহুত্তা নীংশিংহল্লি - হিন্দুস্থান-পাকিস্তান অনী খাইদোক্লবা হাত্তক্তা হিন্দুনা মুসলমান কয়া হাৎখিবা, মুসলমানশিংনা হিন্দু কয়া হাৎখিবা। কাউথোকখিবনা ফরে খঙলবা মীকৃপশিং - চহী খুদিংগী ওগষ্ট ১৪ অমসুং ১৫ না নৌনা মৈ য়াঙশিনহল্লি। কুইর কুইরগা হেন্না ময়েক লারকই নীংশিংবগী কান্নদ্রবা থৌদোকশিং। পাকিস্তান শেত্তোকখিবদা ঈ থোকখিবা থম্মোয়সিদা, বৃতিসশিংবু 'নুংশি খঙদবা, শা-ঙাগী পুকচেল চেনবা জাতি' নি হায়নবা, ইন্দিয়াবু মখোয়না লোই চন্দুনা থল্লিঙৈ চথখিবা মীওৎ-মীনৈগী ৱারী, মীরমচৎ চত্তবা শারমচৎ চৎপা বৃতিস ওফিসরশিংতগী ৱারী খন খন্দুনা ঙসিগী নৌরিবা মীরোলশিংদা লীবীগনি - মখল কয়াগী মেদিয়মদা। চহী চনী য়াঙ্খ্রেমুক, লল্লোনবা ওইনা লাক্লগা লৈঙাক মপু ওইনা ইন্দিয়াদা পাল্লমখিবা বৃতিসশিংনা ইন্দিয়াদা পাঙথোক্লম্বা থবকশিং - ওগষ্ট ১৫ গী নীংশিং থৌরম পাঙথোকপদা ইন্দিয়ন অমত্তনা নীংশিংলক্লোই। কয়াদা তৌবীমল খঙখিদ্রবা লীচৎনো! ফত্তবসু হায়দোকউ, অফবসু নীংশিংউ। বৃতিস লৈঙাক লোইশিন্নবা লানহৌদা খ্বাইদই মরূ ওইবা থৌদাং লৌখিবা, লানহৌদুবু লমজীংখিবা 'লানচিংপুরেল-লানহৌবা' - মোহন্দাস করমচান্দ গান্ধীবু য়েক্লবা ওইবা লৌবই মহুৎ, 'গান্ধী হায়বসি মী নত্তে নৈননীংঙাই ওইবা ৱাখল্লোন' অমনি খন্দুনা 'গান্ধীয়ান থোৎ' কৌবা স্কুল- কোলেজ - য়ুনিভর্সিতিদা তম্মনবা সবজেক্ট ওইনা শেমগৎখিবা - ইন্দিয়ানা নত্তে 'বৃতিস' ননি। খেন্নবসি য়েংবীয়ু।

নীংতম নুমিৎ! ওগষ্ট ১৫! অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা পাঙথোকফম থোকপা থৌরম অমা নত্তে হায়বা কাঙলুপ কয়া থোক্লক্কুনা, মমাঙগী চহী কয়াদগী থৌরম অসি পাঙথোকপদা অথীংবা পীদুনা লাকই। ঙসিসু য়ুমদই মপান থোক্তনা ইমুংদা লৈনবা পাউজেল্লি। ইমুংদা তুমিন ফমদুনা 'ইন্দিপেন্দেন্স দে' থৌরম পাঙথোকপা য়াওদনা তেলিভিজন অমদি মোবাইল ফোনগী খুথাংদা থৌরমদুদি য়েংলিবা মীয়াম মখোয়দদি অথীংবা অসিনা করিমত্তা এফেক্ত তৌদে। মমীংতগী ওইরসু, লৈঙাক পায়রিবা কাঙবুনসু থৌরম অসি পাঙথোকখিনি হায়বদি অথীংবা থল্লিবা মখোয়দুসু খঙই। ঙসি জেনেরেল ষ্ট্রাইকনি। শিল্লম-শিন্থা পাঙগনু, য়ুমদই মপান থোক্কনু, নীংতম-নুমিৎ-নীংশিং থৌরম য়াওরুনু। 'সিনি ঐখোয়দা থৌদারিবা। ঐখোয়নসু ইল্লিবা।

থম্মোয় পাউদম তমজরিবা ঐগী লন্নাই ৱাখলনি - 'য়াথং অসি ঐগী ওইনা য়ানীংদে।' অদুবু, অদোম্না ঐবু শেরান্নবা খনগনি, ঐগী ৱাসি অদোমদা তায়োন্নবা থোক্কনি। মরমদি নীংতম নুমিৎ পাঙথোক্লোইদবনি, ওগষ্ট ১৫ নীংশিংলোইদবনি হায়বা খোল্লাউ অসিদি ঐগী লন্নাই ওইনসু ১৯৮৯ দগী লেপ্তুনা লাউরক্লিবনি। ঐগী খোল্লাউ অসিদি 'নীংতম নুমিৎ থৌরমসি বোয়কোত তৌসি' হায়বা নত্তে। ইন্দিয়া গভর্নমেন্টনা ওগষ্ট ১৫, জানুয়ারি ২৬ নচিংবা নেসনেলগী থাক্তা পাঙথোক্লিবা থৌরমসি পুমতোক তোকসি হায়বনি। ফিফতিন ওগষ্ট নীংশিংলুবগী মহৈনি 'ইন্দিয়া-পাকিস্তান দিবাইত' হেন্না হেন্না লাওথোরক্লিবা, বৃতিসশিংবু ইনহ্যুমেন ওইবা ফুরুপ্পি খল্লুরিবা ঐখোয়না। হৌখ্রবা মীকৃপ হায়বসি শিখ্রবা থৱায়গুম্বনি, ঙরাংগী ফত্তবা মীকৃপ্তুনা ঙসিবু মাঙহল্লুগনু, ঙসি হায়বসি ঙসিনি ঙরাংগা মরী লৈনদে- ৱাখল অসি খন'ঙম্বা মহাক্তনা মাঙজিন থাগনি - কাউথোক্লিবা করিগীনো? ইন্দিয়া-পাকিস্তান শেত্তোক্লবা মীকৃপ্তুনা লমজীংদুনা মীওই মিল্লিয়ন ১২৫ (ক্রোর অমগা লাখ কুনমঙা) গী থৱায় মাঙখি হায়বা ৱারী অদু নীংশিংলুবা, বৃতিসনা ইন্দিয়নশিংবু মীনায়গুম্না লোয়নখি হায়বা নীংশিংলুবা ... অদুনা ঐগী লৌশিং হেনগৎহনবরা? হৌরক্লিবা ইচা ইশুশিংগী কোক্তুদা য়েংথীনবই মরূ হুনবা নত্তনা করি কান্নবা পীবগে? দেস-প্রেমগী ৱাখল, ইমা লৈবাক নুংশিবই ইথিল হেনগৎহনবা ওইরম্লবা - ঙসি ঐগী ইরমসিদা অতোপ্পা নীংতম নুমিৎ অমা (ওগষ্ট ১৪) পাঙথোক্কদবনি, ইন্দিয়াগী নীংতম নুমিৎ পাঙথোকপা থিংগদবনি হায়বা ৱাখল অসিগী মরূ হুল্লমগদরা?

নীংতম্বা নুমিৎসিদা নীংতম্না ৱাখল খনবা ঐখোয়গী লুচিংবা অমত্তং থিদোকমিন্নসি। মাউন্তবেন্তন্না হায়রম্বদো নীংশিংলকই ...'ঐনা ইন্দিয়াবু ঙমখৈ লৈতনা নুংশি, অদুনা ঐদি ঙসি নীংতম্বা ইন্দিয়া ওইহন্নীংদে ... মরমদি, ঐ খঙই ইন্দিয়নশিংনা ইন্দিয়া ঙাকপা হৈখিরোই ...।' মাগী ৱাফমসিদা অচুম্বা খরা য়াওবরা?

লৌশিং পুক্কে

নুপাদগী নুপীনা নীংশিংবগী মতিক-ময়াই হেল্লি



নুপানা নুপীদগী লৌশিং লৈবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক-ময়ায় হেল্লি হায়না মীওই অয়াম্বা থাজনৈ। অদুবু মীয়ায় চল্লকপা মতমদদি নুপীনা নুপাদগী নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক-ময়ায় হেল্লি হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙলে।

মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপীনা নুপাদগী ব্রেন ফবা হেল্লবসু থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদদি নুপীগী ব্রেননা মথৌ তাবা ঙম্বগী চাং তপ্পা তপ্পা হন্থরকই। লোয়নন্না মেমোরি ইম্প্যেরমেন্ট অমসুং দিমেন্সিয়াগী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটি (এন এ এম এস) কী রিপোর্টনা হায়, মীয়ায় চল্লকপা মতমদা নুপাদগী নুপীনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেল্লবসু থাগী খোঙকাপ লেপখ্রবা মতুংদদি এষ্ট্রাদিওলগী চাং হন্থখিবা মরম্না নুপীগী ব্রেননা মথৌ তৌবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই। মরম অদুনা অনৌবা লৌশিং তানশিনবা অমসুং হান্না খঙখ্রবা ইনফোর্মেসন নীংশিংনবা হোৎনবদা ৱানা থোকই।

নোর্থ অমেরিকান মেনোপোজ সোসাইটিগী জর্নেল 'মেনোপোজ' গী ওনলাইন ইদিসনদা ফোঙল-কখিবা রিপোর্টনা হায়, নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকপা অমসুং তোয়না কাউগনবগী থৌওংবু তরাইনা খক লৌরোইদবনি। মতম চানা ডোক্তরগা তান্নদুনা খুদোংচাদবা অসিদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ।

অমরোমদা, কেনাদাগী ভেনকোৱরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিছার্চরশিংনা হায়খি মদুদি, চাং নাইনা এরোবিক এক্সর্সাইজ তৌবা মতমদা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবনা ব্লদ প্রেসর ফীভম ফগৎলকপগা লোয়নন্না নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই। কা হেন্না ব্লদ প্রেসর ৱাংলবদি ভেস্কুলর কোগনিটিভ ইম্প্যেরমেন্টকী রিস্ক ৱাংলক্তুনা দিমেন্সিয়া ওইহল্লকপা য়াই। দিমেন্সিয়া ওইহল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরুওইবা মরমশিংগী মনুংদা অলঝিমর'স দিজিজগী হেক মথংদা ভেস্কুলর কোগনিটিভ ইম্প্যেরমেন্টনি।

ভেস্কুলর কোগনিটিভ ইম্প্যেরমেন্টকী খুদোংচাদবা মায়োক্লরবদি ব্রেনগী অচৌবা অমসুং অপীকপা ঈ উতোংশিং অমাঙ-অতা থোরকপদগী ৱাখল খনবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়াই হন্থরকই। য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী টেরেসা ল্যু-এম্ব্রোসনা হায়খি, ষ্টদি খরদা হকচাং শাজেল তৌবনা মেমোরি প্রোব্লেমগী রিস্ক হন্থহনবগী খুদম ফংলে।

'ন্যুরোলোজি' জর্নেলগী ওনলাইন ইদিসন্দা ফোঙলকখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়, মশাগী চহী ৭৪ শুরবা মীওই ৭০ দা চথখিবা ষ্টদি অমদা হকচাং শাজেল তৌবনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকপগী খুদম ফংলে।

অমরোমদা, গ্রোনিঞ্জেন ইনষ্টিট্যুট ফোর ইভোল্যুসনরি লাইফ সাইন্সেসকী এসিষ্টেন্ট প্রোফেসার রোবার্ট হেবেকিসনা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা হায়, তূম্বগী চাং ৱাৎলবদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই। রিছার্চরশিংনা উচিদা চাংয়েং তৌদুনা য়েংবদা তূম্বা ৱাৎলবদি ব্রেনগী হিপোকেম্পসতা ন্যুরোনশিং অমগা অমগা পাউ ফাওনবা ৱাৎপদগী নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরকই হায়বা খঙলকখি। হিপোকেম্পস হায়বসি নীংশিংবা অমসুং অনৌবা লৌশিং তানশিনবদা শীজিন্নরিবা ব্রেনগী শরুক অদুনি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ মেঞ্চেষ্টরগী রিছার্চর জোসেফ ফর্থনা চথখিবা ষ্টদি অমগী রিপোর্ট মতুংইন্নদি চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা মতমদা ব্রেননা মথৌ নীংথিনা তৌরকপা মরম্না নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই।

সিজোফ্রেনিয়ানা নারবা মীওই ৩৮৫ বু চয়োল ১২ চুপ্পা হকচাং শাজেল তৌহনবদা ব্রেননা মথৌ নীংথিনা তৌরকপা থেংনখিবনি।

সিজোফ্রেনিয়ানা নারবা মীওইশিং মথন্তা ৱাখলনা শাগৎলগা মমিৎতা মশেল মরাং পংউদা উবা মরম্না অকিবা ফাওরকই। হায়রিবা মীওইশিং অদু হীদাক-লাংথক পীজবগা লোয়নন্না হকচাং শাজেল তৌহল্লবদি অথুবা মতমদা ফীভম ফগৎলকই হায়রি। চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি ব্রেননা মথৌ নীংথিনা তৌবা ঙম্লকপগা লোয়নন্না সিজোফ্রেনিক পেসেন্টশিংনা অকোয়বদা থোক্লিবা থৌদোকশিং খঙবা ঙম্মী অমসুং নীংশিংবগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই।

মী মশক খঙবা ঙমদবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় মাঙখিবা হায়বসি সিজোফ্রেনিয়াগী মরুওইবা লায়ওংনি। অদুবু চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌরবদি নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই হায়না জোসেফ ফর্থনা ফোঙদোকখি। অনাবা হৌগৎলকপদা চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবগা লোয়নন্না মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চারবদি সিজোফ্রেনিয়াগী ফীভম ফগৎলকই হায়বা খঙলে। ষ্টদিগী রিপোর্ট অসি সিজোফ্রেনিয়া বুলেটিনগী ওনলাইন ইদিসনদা হন্দক্তা ফোঙলকপনি।

কেনাদাগী ভেনকোৱরদা লৈবা য়ুনিভর্সিটি ওফ বৃটিশ কলম্বিয়াগী রিপোর্ট অমনা হায়খি, অহল ওইশিল্লক্লবা অমসুং নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থরক্লবা মীওইশিংনা এরোবিক এক্সর্সাইজ তৌরবদি য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংবগী খুদম ফংলে। রিছার্চরশিংনা মীওই খরদা তৌবা মীওইশিং ৱাখল খনবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হেনগৎলকই হায়বা খঙখি। হকচাং শাজেল তৌবনা হীরম কয়াদা কান্নবা পীবগা লোয়নন্না ব্লদ প্রেসর কন্ট্রোল তৌবদসু মতেং পাংই। অমরোমদা, তূম্বা ৱাৎপনা নীংশিংবা ঙম্বগী মতিক ময়ায় হন্থহল্লি হায়না গ্রোনিঞ্জেন ইনষ্টিট্যুট ফোর ইভোল্যুসনরি লাইফ সাইন্সেসকী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

নাওরিয়া ফুল্লোগী নীংশিং থৌরম পাঙথোকখ্রে, চাউখৎপা মণিপুর পুরক্লবগীদমক পুনশিল্লসি: রাধেশ্যাম

LAININGHAL PHULO

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিগী ইপা ইপুশিংনা বৃটিশকী মায়োক্তা অপুনবা ওইনা লান্থেংনখিবা অদুগুম্না ঐখোয়না অপুনবগী শক্তম শাগৎনবা হোৎনসি। চাউখৎপা মণিপুর অমা পুরক্লবগীদমক পুনশিল্লসি হায়না এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা ঙসি খাঙবোক্তা লৈবা এম এম আর সী য়ুনিটি পার্কতা পাঙথোকখিবা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুল্লোগী ১৩০ শুবা মপোক কুমওন থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মৈতৈ/মীতৈ ঈনাৎ শক্তম কনবা লুপ, কংলৈপাক্লা শীন্দুনা ঙসি এম এম আর সী য়ুনিটি পার্কতা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা ঙাংলদুনা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর টিঐচ রাধেশ্যামনা হায়খি, অহোংবা হায়বসি থিংবা ঙম্লরোইদবনি। অমগা অমগা চাউখৎপগী লমজেল তান্নরিবা মতম অসিদা চুনদ্রবশিংদি হুন্দোকখিবনা ফগনি। মসিগী মহুত্তা লৈরিবা কান্নবা ময়ামশিংদগী খ্বায়দগী কান্নবা অদু খনগৎলগা মতমগা চুন্না লৈনবা হোৎনগদবনি। চৎনবী হায়বসিনা মীওইবা অমদি খুন্নাই অসিগী চাউখৎপগী মায়কৈদা চঙশিনবগী পাঙ্গল হাপকদবনি। ইপা ইপুশিংনা মমাংঙৈদগী ঙাক্লা চৎনরক্লবা ময়াম অদুদা য়ুম্ফম ওইহন্দুনা লমদম অসিগী মীয়ামদা অপুনবগী শক্তম শাগৎহন্নবগী লীচৎ অদু ওইগদবনি। অহোংবা হায়বসি নাথৈদুনা খক চৎপা য়াদে। খ্বায়দগী অফবা অদুদি খ্বায়দগী মরুওইরিবা অদুদা মীৎয়েং থমদুনা খ্বায়দগী ফবা খুদম থল্লম্গা অদুনি। শেল-থুম চাউখৎহন্নবগীদমক লমদম অসিগী মহৌশাগী লৈজরিবা মখল কয়াগী হৈ-লৈগী পোথোকশিং অসি য়োকখৎনবা অমদি লমদম অসিগী পোথোকশিং শীজিন্নবগী তঙায়ফদবা লৈ। স্কীল দিভলপমেন্টকী মতেঙনা পুথোরক্লিবা লমদম অসিগী পোথোকশিং অসি লমদম অসিগী মীয়াম্না য়োকখৎলবদি মসিগী মহৈ কনামত্তনা চাবা ফঙলোই হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগী মাঙওইননা ঐচ তোমচৌ মঙাংনা ফম্বাল ঈরাৎতুনা পুরেলনা ফিরাল চিংখৎখি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা খাঙবোক্কী এম এম আর সী এন্দ য়ুনিটি পার্ক মনুংদা খিনবা লাইনিংহল নাওরিয়া ফুল্লোগী মীতম অমা ঙসিগী অথোইবা মীথুংলেন্না মায়খুম হাঙদোকখি। মচু তরেৎকী ফিরালসু চিংখৎখি। এম এম আর সী অমসুং য়ুনিটি পার্ক খাঙবোক্কী শক্তম, খুৎয়েকসু থৌরমগী অথোয়বা মীথুংলেনশিংনা ফোঙদোকখি। থাং-তা, জগোয় অমদি মুক্নানচিংবা নাৎকী ওইবা থৌরম কয়াসু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা মৈতৈ/মীতৈ ঈনাৎ শক্তম কনবা লুপ কংলৈপাক্কী ৱার্কিং প্রসিদেন্ট এ কে ইবোমচানা থৌরম মপু, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী রিদর ডা. থিয়াম ভারত, অপোকপা মরুপলোইগী লুচিংহল নিংঙোম্বম মঙ্গী অমদি সোসল ৱার্কর হামোম ধনীনা অখন্নবা মীথুংলেনশিং ওইনা শরুক য়াখি।

ৱাই এম সীগী চেয়রপর্সনদা মরাল শীরকপা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন অমসুং কৈথেলগী পোৎফম ফল্লিবীশিংদা খুৎ থিংজিন্দুনা কৈথেল থুগায়নবা ঈরাং থোক্লবা শিল্লে হায়না মরাল শীরকপবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অমদি থৌবাল কৈথেলদা লিক, খুজি, খোঙউপ, ঙা অমসুং ফিরোলনচিংবা য়োনবা য়ারোই হায়না ঙসি য়াইরিপোক ন্যু মার্কেটকী পোৎফম ফল্লিবশিংনা শিন্থা লেপ্তুনা কৈথেল মমাংদা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ওল য়াইরিপোক রুমেন ক্লোথ সেল্লর এসোসিয়েসন অমসুং য়াইরিপোক বাজার দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা মপুং ওইবা থৌদাং লৌদুনা তোঙান তোঙানবা লিক য়োনবা, ফিরোন য়োনবী, খোঙউপ য়োনবী অমসুং ঙায়োনবীশিংনা শরুক য়াখিবা ৱাকৎ মীফম অদুদা পোৎফম ফল্লীশিংনা মশা মশাগী ত্রেদকী ৱাংমদা পোৎ য়োনবা য়ানিংদে, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন অমসুং কাউন্সিল্লশিংদা শীরিবা মরাল য়ানিংদে, য়াইরিপোক বাজার লূ হেন্না থম্বদা ঐখোয়না শৌগৎলি অমদি য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলনা মশা মশাদা পীরিবা ভেন্দর কার্দতা ইরিবা ত্রেদ অদুদা পোৎ য়োনবীয়ু হায়বা প্লে কার্দশিং শীজিন্নখিবগা লোয়নন্না খোল্লাউ কয়াসু লাউখি।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবশিংনা ফোঙদোকখিবদা, য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী চেয়রপর্সন অমসুং কাউন্সিল্লরশিংনা মণিপুর লৈঙাক্কী পাউতাক মতুংইন্না স্বাছ ভারত মীসনগী মখাদা মণিপুরদা লৈরিবা উর্বান লোকেল বোদিশিং লূ হেন্না থম্বগী পান্দমদা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মীয়াম্না শৌগৎলি। হন্দক্তসু য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ওফিসলশিংনা য়াইরিপোক বাজারদা মখল খুদিংগী পোৎচৈ য়োল্লিবা ইমা ইবেলশিংবু কৌদুনা মণিপুর লৈঙাক্লা শক খঙগদবা টাউন ভেন্দিং কম্মিটি কৌবা অমা শেমখ্রবনি। কম্মিটি অসিদা ত্রেদ খুদিংমক্কী পোৎয়োনবীশিংবু মেম্বর ওইহনখ্রবনি। য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমদি টাউন ভেন্দিং কম্মিটিগা খুৎশম্নদুনা য়াইরিপোক বাজারবু লূ হেন্না থম্নবগী পান্দমদা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি মতুংদসু মখা তানা শৌগৎখিগনি।

য়াইরিপোক্কী কৈথেলশিংদা পোৎফম ফল্লীশিংনা মশা মশাগী পায়রিবা ভেন্দর কার্দতা থাদুনা লৈরিবা ত্রেদশিং অদুদা পোৎ য়োনবীয়ু। কৈথেলগী মী চৎফম, সিরি কারক্তা পোৎ থমজিন্দুনা পোৎ লৈবা লাকপা মীওইশিংনা চৎথোক চৎশিন তৌবদা খুদোংচাদবা, অকায়বা, অপনবা কয়া পীরিবা অসি য়ানিংদে। য়াইরিপোক ম্যুনিসিপাল কাউন্সিল অমসুং টাউন ভেন্দিং কম্মিটি অনীনা য়াইরিপোক বাজার অসি লূ হেন্না থম্নবগী হোৎনরকপদা অথিংবা পীরিবা অসি মরী লৈনবা ওথোরিটিশিং অমসুং মণিপুর লৈঙাক্লা অথুবদা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়নসু ফোঙদোকখি।

ওপরেসন লেপ্তুনা চথখিরি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : ওগষ্ট ১৫ দা পাঙথোক্লদৌরিবা লৈবাক অসিগী ইন্দিপেন্দেন্স দে থৌরমগী মাঙওইননা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিস কম্মান্দো অমদি য়াইরিপোক পুলিস কাঙবুনা ঙরাং অয়ুক পুং ৪ দগী ৬ ফাওবা য়াইরিপোক হুইদ্রোম লৈকায়দা কোইশিন্দুনা থি-হুম্বা চথখ্রে।

ওপরেসন অদুদা নুপা-নুপী পুন্না ১১৩ রোম ৱাহং-পাউহং চথখিবগা লোয়নন্না মখোয়গী শক্তাকচে চেক তৌখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই অহুম মশাগী শক্তাক চে য়াওরমদবদগী ফারবা মতুংদা মখা তানা ৱাহং-পাউহং চথনবগীদমক য়াইরিপোক পুলিস ষ্টেসন্দা খুৎশিন্নখ্রে। মরকসিদা ককচিং পুলিসকী কাঙবুনা ঙরাং ককচিং দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরগী মনুং চনবা ককচিং, পল্লেল, হিয়াংলম্নচিংবা এরিয়াদা থি-হুম্বা চথখ্রে। থি-হুম্বা চথখিবা অদুদা মীওই ১২০ লোম পরেং শানা লেপহন্দুনা ৱাহং-পাউহং চথখি। মখোয়গী মনুংদা মীওই ১৯ মশাগী শক্তাক চে য়াওরমদবদগী মখা তানা ৱাহং পাউহং তৌনবগী ককচিং পুলিস ষ্টেসন্দা শিন্নখ্রে হায়রি।

লোকেল মেরিট এৱার্দ লান্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ : সোসল দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন (এস দি ও) পল্লেলনা পরিং নায়না লেপ্তুনা চথরকপা ক্লব অসিগী চহীগী ওইনা চথরকপা এস দি ও লোকেল মেরিট এৱার্দ ২০১৭ গী থৌরম ঙসি পল্লেল কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবগা লোয়নন্না মহৈরোয়শিংদা মনা পীদুনা পুক্রিং থৌগৎখ্রে। ক্লাস টেন অমদি টুৱেল্ভকী মায় পাক্লবা ক্লব অসিনা কোনবা মফমশিংদগী মহৈরোয় কয়াদা মনা-মথুম য়েন্থোকখি। বোসেম অমদি কোসেমগী ওইনা চাদা ৭০ গী মথক ফংবা মহৈরোয়শিংদা মনা য়েন্থোকখি।

স্বাছতা পাখ্বাদাগা মরী লৈননা থৌবালদা সাইকল রেল্লি চৎখ্রে

NEHRU YUVA KENDRA THOUBAL MANIPUR
Ministry of Youth Affairs & Sports, Govt. of India
Fortnightly Celebration of
SWATCHHTA PAKHWADA
1-15 August, 2017

ইম্ফাল, ওগষ্ট ১৪ (ঐচ এন এস) : স্বাছতা পাখ্বাদাগী শরুক অমা ওইনা দেপ্যুটি কম্মিস্নর থৌবালগী মীৎয়েং মখাদা নেহরু য়ুব কেন্দ্র থৌবাল, জোনেল ওফিস থৌবাল, চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবাল, এন এস এস অমদি ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজনা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা থৌবালদা সাইকল রেল্লি চৎখ্রে।

সাইকল রেল্লি অদু ঙসি চীফ মেদিকেল ওফিসর থৌবাল ডা. এল জয়ন্তকুমার, জেদ ঈ ও থৌবাল এস মঙ্গী, এন এস এস প্রোগ্রাম ওফিসর এন সনাতোম্বী, দিষ্ট্রিক্ট প্রোগ্রাম মেনেজর সীঐচ বসন্তনা লমথাখি। ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজদগী হৌখিবা সাইকল রেল্লি অদুনা কোদোমপোকপী গ্রাউন্দ ৱাংজিং ফাওবা চৎখি।

রেল্লি অদুদা ৱাইখোম মনি গার্লস কোলেজ, ন্যু আইদিয়েল হায়র সেকেন্দরি স্কুল, খাঙবোক হায়স্কুল অমদি অনন্দ পুর্না হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী মহৈরোয়শিং ১৫২ রোমনা শরুক য়াখি। ক্লিনলিনেস অসি গোদলিনেস, এভোইদ পোল্লুসন, সেভ মাদর আর্থ, সেভ আর্থ, গ্রো গ্রীন, ফর্ষ্ট তোইলেট মেরিয়েজ অফটরৱাদ, তোইলেট ফর্ষ্ট হায়বনচিংবা প্লে কার্দ কয়াসু পায়খি।

রেল্লি অদুনা কোদোমপোকপী গ্রাউন্দ য়ৌরবা মতুংদা ওফিসল কয়ানা লূ নান্না লৈবগী মরুওইবা কয়া থৌরম অদুদা শরুক য়াখিবশিংদা খঙহনখি। মহৌশাগী অকোয়বগী ফিভম শোকচিল্লকপা অমদি গ্লোবেল ৱার্মিংগী চৈথেং লাক্লিবা অসিগী মতাংদসু ৱাফম কয়া থম্মখি।

কোদোমপোকপী গ্রাউন্দদা পাঙথোকখিবা মীফমদা ওফিসল কয়ানা মহৌশাগী অকোয়বগী ফিভম লূ নান্না থম্নবগী মতাংদা ৱাফম কয়া থম্মখি। হকচাং ফনা লৈনবগীদমক লূ নান্না লৈবগী তঙায়ফদবা লৈ। খুৎশা শেংনা হামদোকপা, হকচাং লূ নান্না লৈবা, অকোয়বগী ফিভম তরু তনান্না থম্বা তঙায়ফদে। ঐখোয়গী মালেম অসিবু নীংথিনা ঙাক শেন্দুনা থম্নবা অমদি মহৌশাগী অকোয়বগী ফিভম কন্নবগীদমক পুন্না হোৎনমিন্নবা তঙায়ফদে হায়নসু ফোঙদোক্লখি।

অমরোমদা, স্বাছতা পাখ্বাদাগী শরুক অমা ওইনা এন ৱাই কে ইম্ফাল ৱেষ্টনা এন এস এস মণিপুর কোলেজ, এন এস এস জি পি রুমেন্স কোলেজ, এন এস এস এনজি কোলেজ অমদি ইম্ফাল ৱেষ্ট এন ৱাই কে ভলুন্টিয়রশিংগা খুৎশম্নুনা শীন্দুনা সাইকল রেল্লি অমা কংলা গেটতগী মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পস ফাওবা চৎখ্রে। ঙসি অয়ুক পুং ৭.৩০ রোম তাবদা রেল্লি অদু কংলাগী গেটতগী এন এস এস প্রোগ্রাম কোর্দিনেটর মণিপুর কোলেজ বিরচন্দ্রনা ফ্লেগ ওফ তৌখি।

রেল্লি অদুদা নুপা ২৪ অমদি নুপী ২৬ পুন্না মীওই ৫০ রোম্না শরুক য়াখি। রেল্লি অদু কংলা গেটতগী লমথারক্লবা মতুংদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি কেম্পসতা লমথুংখি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী এন এস এস প্রোগ্রাম কোর্দিনেটরনা শীন্দুনা রেল্লি লাকখিবশিংবু তরাম্না ওকপগী থৌরম অমা ভি সী ওফিসতা পাঙথোকখি।

রেল্লি অদুদা স্বাছতা পাখ্বাদাগা মরী লৈনবা প্লে কার্দ কয়াসু পায়খি, স্লোগান কয়াসু লাউখি। স্লোগানশিংগী মনুংদা ক্লীন ইন্দিয়া, গ্রীন ইন্দিয়া, সিটি ক্লীন, ক্লীনলিনেস ইজ দ নেক্সট টু গোদলিনেস, ৱেলনেস ওফ হেল্‌থ হায়বনচিংবা প্লেকার্দ কয়াসু পায়খি। রেল্লি অসিগীদমক বাইসাইকল ৪০ রোমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিনা পুথোকখি হায়না নেহরু য়ুব কেন্দ্র ইম্ফাল ৱেষ্টকী দিষ্ট্রিক্ট য়ুথ কোর্দিনেটর ৱাই লক্ষমন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।